পাউনিলখোনগী কুমওন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৪ (ঐচ এন এস):
পাউনিলখোন দেলি ইভনিং পেপরগী ২৮লকশুবা মপোক কুমওন থৌরম ঙসি নুংথিল মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ওল মণিপুর ৱার্কিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্ট ব্রোজেন্দ্র নিংথৌজম্বনা চীফ গেষ্ট, পাউনিলখোন ইভনিং দেলিগী পব্লিশর এল মঙ্গীনা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি। আই এম সীগী ৱার্দ নম্বর ১১গী কোর্পোরেটর এম জয় অমদি লিরিসিষ্ট রাজেন্দ্রো ওক্রমনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি। মপোক কুমওন থৌরম অদুগা মরী লৈননা পাউনিলখোনগী স্পেসল ইস্যু অমসু ফোঙখি।

মীৎয়েং চঙফম থোকই : সিব সেনা

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৪ (ঐচ এন এস):
গোলারথোন অমদি বোরোবেক্রাগা ফাওনবা মফমদা লৈরিবা বেলি ব্রিজ অমা তেক্কুনা মীওই মঙা অশোক-অপন নংলিবা অসিগী মতাংদা লৈঙাক্না মীৎয়েং চঙফম থোকই হায়না শিব সেনা মণিপুরগী প্রসিদেন্ট এম তোম্বীনা পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা এম তোম্বীনা হায়খি, থোং শাবগী থবক্তা নীংথিনা ক্বালিটি মেন্টেন তৌদবগী থৌদাং অসি কন্ট্রেক্টরনা পুগদবনি। মীওই মঙা অশোক-অপন নংলিবা অসিগী লায়েংবগী শেলসু কন্ট্রেক্টরনা পুথোকফম থোকই। থোং তেকপগী থৌদোক্তা মীওই মঙা অশোক-অপন নংহনখিবা অসি অৱাবনি। মখোয়গী লায়েংবদা মতেং পাংফম থোকই। লৈঙাক্লসু মীৎয়েং চঙবা তঙাইফদে।

লম্বী-থোং শেম শাবগী থবক অসি য়াম্না চেকশিনবা তঙাইফদে। নেসনল হায়ৱে নম্বর ৩৭ হান্না লৈরম্বা ফীভমদগী শেমগৎলক্কুনা অহোংবা খরদি লাকপা অসি নুংঙাইবা ফাওই। লম্বী-থোং শেম শাবগী থবক পায়খৎপদা লৈঙাক্না নীংথিনা মীৎয়েং চঙবা তঙাইফদে হায়নসু ফোঙদোকখি।

ইম্ফাল ইষ্টকী দেপ্যুটি কম্মিস্নর চিত্রনা নোর্থ ইষ্টর্ন দিষ্ট্রিক্ট রিছোর্স প্লান জিও পোর্টেল লোঞ্চ তৌখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৪ (ঐচ এন এস):
নোর্থ ইষ্টর্ন দিষ্ট্রিক্ট রিছোর্স প্লান (এন ঈ দি আর পি) জিও পোর্টেল ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ঙসি ইম্ফাল ইষ্টকী দেপ্যুটি কম্মিস্নর টি ঐচ চিত্রানা লোঞ্চ তৌখ্রে।

মণিপুর রিমোট সেন্সিং এপ্লিকেসন সেন্টর, দেপ্যুটি কম্মিস্নর ইম্ফাল ইষ্ট ওফিস অমসুং নেসনল ইনফোর্মেসন সেন্টর মণিপুরনা খুৎশম্নদুনা ঙসি পঞ্চায়ট ভবন পোরোম্পাৎতা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা জিও পোর্টেল অদু লোঞ্চ তৌখি। নোর্থ ইষ্টর্ন কাউন্সিলনা ফন্দিং এজেন্সী ওইরগা নোর্থ ইষ্টর্ন স্পেস এপ্লিকেসন সেন্টরনা ইনিসিএট তৌদুনা এন ঈ দি আর পি জিও পোর্টেলগী থবক অসি পায়খৎলকপনি।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইখিবা ইম্ফাল ইষ্টকী দি সী, টি ঐচ চিত্রানা হায়খি, ইম্ফাল ইষ্টকী ওইনা এন ঈ দি আর পি জিও পোর্টেল লোঞ্চ তৌখিবা অসিনা থবক থৌরম কয়া পায়খৎলকপা মতমদা ঈ-পাউ লৌবদা খূদোংচারগনি। জিও পোর্টেল অসিদা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মনুংদা লৈবা লম্বী-থোং, লম, উমংগী শরুক, লৌ উবা য়াবা শরুক, দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মনুংদা লৈবা তোঙান-তোঙানবা মফমশিংগা মরী লৈনবা ইনফোর্মেসনশিং পোর্টেল অসিদা য়াওগনি। লৈঙাক্কী দিপার্টমেন্টশিংনা তোঙান-তোঙানবা প্রোজেক্টশিংগী দিটেল প্রোজেক্ট রিপোর্ট (দি পি আর) শেল্লকপা মতমদসু ঈ-পাউ লৌবদা মতেং ওইরগনি। দি পি আর শেম্বা মতমদা তঙাইফদবা ইনফোর্মেসন কয়া মতম চানা ফংবা তঙাইফদে। অশেংবা ইনফোর্মেসনশিং অদুদা য়ুম্ফম ওইরগা দি পি আর শেম্বা চঙই। অসিগুম্বা জিও পোর্টেল অমা লোঞ্চ তৌবা হায়বসি য়াম্না মরুওইবা অমনি।

তোঙান-তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিংগী থবক থৌরমশিং পায়খৎলকপা মতমদসু ইনফোর্মেসন কয়া তঙাইফদনা চঙলকই। দিপার্টমেন্টশিং অদুনা পায়খৎকদৌরিবা থবকশিং অদুগী মফম-মফমশিংদা লৈরিবা ইনফোর্মেসনশিং অদু মতম চানা ফংলবদি ওফিসলশিংদসু য়াম্না খূদোংচারগনি। জিও পোর্টেল অসিগী মতেং লৌদুনা ইনফোর্মেসনশিং মতম চানা লৌরগা থবক থৌরমশিং খোঙজেল য়াঙনা পায়খৎনবা হোৎনসি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা মণিপুর রিমোট সেন্সিং এপ্লিকেসন সেন্টরগী দিরেক্টর এন রন্ধিরনা হায়খি, জিও পোর্টেল অসিদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ইনফোর্মেসন কয়া হাপ্লি। পোর্টেল অসিদা চঙলগা ইম্ফাল ইষ্টকা মরী লৈনবা লম্বী-থোং, লম অমদি লৈরিবা তোঙান-তোঙানবা ইনফোর্মেসন কয়া খঙবা য়াগনি। লৈঙাক্কী দিপার্টমেন্টশিংনা ইনফো-র্মেসনশিং লৌনিংবা মতমদা লৌবা য়ারগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

এন দি এ লৈঙাক্কী টর্ম লোইদ্রিঙৈদা নাগা ৱাথোক্কী অরোইবা ৱারোইশিন পুরক্কদবা মান্দে : রিপোর্ট

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ২৪ (এজেন্সি):
নাগা ফুরুপকী লালহৌ লোইশিন্নবগী পান্দমদা কুমজা ২০১৫ গী ওগষ্ট ৩ দা ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্ট খুৎয়েক পীনরে হায়না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লাউথোকখিবা চহী অহুম হেঞ্জিলক্লে। অদুবু হৌজিকফাওবা পিছ একোর্দ খুৎয়েক পীনবা ঙম্বগী ফিভম লৈতে।

নাগা লূপশিংনা নীংতম্বগী দিমান্দ থাদোকখিবগা লোয়ননা য়ুল্লোন্নরিবা ষ্টেটশিংগী ঙমখৈ শোকহনবগী ৱাফম খোঙফম হন্দোকখিবা তারবসু তোখায়বা পাসপোর্ট, ফিরাল অমদি আর্মি লৈহনগদবনি হায়বা ৱাফম পুখৎলকখি। হীরম অসিগী মতাংদা নাকল অনী য়ানবা ঙমদ্রি। সেন্টর নৎত্রগা নাগা লূপশিংনা ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্টকী অকুপ্পা ৱারোল ফোঙদোরক্তবা তারবসু নাগাশিংদা স্পেসল ষ্টেটস পীবগী ৱাফম য়াওরে হায়বা মীয়াম্না ময়েক শেংনা খঙনরে।

পার্লিয়ামেন্টরি ষ্টেন্দিং কম্মিটি অমনা পীশিনখিবা রিপোর্টতা নাগা পিছ টোক্কী ইন্টরলোক্যুটর আর এন রবিনা নাগাশিংগী অখন্নবা থৌরাং খরা লৌখৎলগনি হায়না ফোঙদোকখিবনি। অহানবদা নাগা লালহৌ লূপশিংনা নাগা তাবা মফম পুম্নমক পুনশিনগদবনি হায়না তকশিল্লকখ্রবসু হৌজিক্তি য়ুল্লোন্নরিবা ষ্টেটশিংগী ঙমখৈ কায়হন্দবগী ৱাফমদা অয়াবা পীরে। সেন্টরনা এন এস সী এন (আই-এম) নত্তবা অতোপ্পা নাগা লালহৌলূপ তরুক্কসু ৱারী শান্নরি।

কুমজা ১৯৭৫গী নবেম্বর ১১ দা গভর্নমেন্টনা নাগা নেসনল কাওন্সিল (এন এন সী)গা শিলোং একোর্দ খুৎয়েক পীনখি। একোর্দ অদুগী মখাদা এন এন সী অমসুং ফেদ্রেল গভর্নমেন্ট ওফ নাগালেন্দ (এফ জি এন) গী কাঙলুপ খরা খুৎলায় থাদোকখি। থুইঙালেং মুইভানা লুচিংবা মীওই ১৪০ না একোর্দ অদু য়ানিংদবা মরম্না কুমজা ১৯৮০ দা নেসনল সোসলিষ্ট কাওন্সিল ওফ নাগালেন্দ (এন এস সী এন) শেমখি। এন এস সী এন লিংখৎপদা আইশাক চিসি স্বু অমদি এস এস খপ্লাংসু য়াওখি। কুমজা ১৯৮৮ দা লুচিংবা মশেল মোৎ মান্নরক্তবদগী এন এস সী এন অনী থোকখি। আইশাক চিসি স্বু অমসুং মুইভানা লুচিংবা কাঙলুপ লোয়ননা খপ্লাংনা লুচিংবা কাঙলুপকী মরক্তা মতম শাংনা য়েংথিনদুনা লাকখি।

কুমজা ১৯৪৭ কী ওগষ্ট ১৪ দা এন এন সীনা নাগালেন্দবু মনীংতম্বা ষ্টেট অমনি হায়না লাউথোকখ্রবা মতুংদা ঈংতপ্পা থৌরাং লৌখৎতুনা লাকখি। অদুমওইনমক খ্বাইদগী ইহান হান্না হীরম অসিগী মতাংদা মতিক চাবা থৌরাং লৌখৎখিবদি কুমজা ১৯৯৭কী ওগষ্টতা ইন্দিয়া গভর্নমেন্ট অমসুং এন এস সী এন (আই-এম) সিজফায়র এগ্রিমেন্ট খুৎয়েক পীনখিবগী মতুং তারকপদনি।

নাকল অনীনা থেংখাং কয়ারক্তা ৱারী শান্নখ্রবসু লোক সভাগী মীখল নকশিল্লকপা মরম্না হৌজিক পাল্লিবা এন দি এগী গভর্নমেন্টকী মতমদা নাগা ৱাথোক্কী অরোইবা ৱারোইশিন পুরকপা ঙম্বগী ফিভম লৈত্রে হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি। মসিগী মথক্তা সেন্টর অমসুং নাগা লালহৌলূপশিংগী মরক্তা য়ানবা পুরক্কদবা ৱাফম কয়ামরুম লৈরি। ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্ট খুৎয়েক পীনদুনা অয়াম্বা ৱাফম য়ানখ্রবসু মরু ওইবা ৱাফম খরা য়ানদ্রিবা মরম্না হৌজিকমক নাগা ৱাথোক্কী ৱারোইশিন পুরকপা ঙমগদবা মান্দে হায়রি।

‘শঙাই য়োক্লবগী খোঙথাং মরম চাদে’

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৪ (ঐচ এন এস):
পুমলেন পাৎতা লৈঙাক্না শঙাই য়োক্লবগী খোঙথাং লৌখৎলক্লিবা অসি মরম চাদে। মফম অসিদা শঙাই থম্বা হায়বসি শঙাই মাঙনবগী থৌওংনি হায়না নোংমাইখোং অৱাং সোসল রিফোর্মেটিক এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট সলাম জয়না ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাউমীশিংগা উনবদা সলাম জয়না মখা তারদুনা হায়খি, পুমলেন পাৎতা ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টনা শঙাই য়োক্লবা থৌরাং তৌরক্লি। শঙাই য়োকপা য়ারোইদবা মফমদা শঙাই থম্বা হায়বসি মাঙনবগী থৌওংনি। অকোয়বদা লৈরিবা মীয়ামদসু অকায়বা পীরকপা য়াবগী অকিবা লৈরে। পুমলেন পাৎকা শাগোন্নদুনা ঙা য়োকপা, ষণ লোয়বা, মনা-মশিং হেক্কুনা হিংবগী লম্বী তাল্লিবা মফম অমনি। মীওইবগী হিংবদা চঙলিবা পুমলেন পাৎ অসিদা শঙাই য়োক্কনি হায়বসি অকোয়বদা লৈরিবা মীয়ামগী লাইবক থীবা ওইরে। কৈবুল লমজাও নেসনল পার্কতা শঙাই কয়া য়াম্না লৈরিবগে হায়বসি য়েংলুবদা শঙাই ১০ ফানা উবা ফংদে। হান্না লৈরিবা মফম অসি শেমগৎতনা মতম-মতমগী লৈঙাক্না পায়খৎলকপা থবক থৌরম খূদিংমক মীয়ামগী থম্মোয় কায়নিংঙাই ওইবা কয়া অমা তৌই। লোক্তাক প্রোজেক্ট হেক লাকপদগী লৌ উরগা চাজরম্বা মীয়ামদা অৱাবা মায়োক্লুহল্লে। ইথাই বরাজনা পুমলেন পাৎকী অকোয়বা ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট, বিষ্ণুপুর, থৌবাল, ককচীংগী মফম কয়া মাঙহন্দুনা লাক্লি।

পুমলেন পাৎতা শঙাই য়োক্লবগী লৌরক্লিবা খোঙথাং অসি মরম চাদে। পাৎ অসি খুঞ্জা কয়াগী হিংনবগী মফম ওইরিবা পাৎ অমনি। পাৎ অসিগী মপানন্না হিংজরিবা কয়া অমনি। পাৎ অসিদা শঙাই থম্বা য়াবা ঙল্লোই। ফিরেপ অসি অথুবা মতমদা হন্দোক্কুনা মীয়াম্বু মহৌশাগী পূন্সিদা লৈহনবীয়ু। পুমলেন পাৎতা শঙাই থম্বা হায়বসি লৈহাও চানবা মফম ওইদে। পুমলেন পাৎতা শঙাই থল্লবদি মখোয় করি চাদুনা হিংবা ঙমগদৌরিবনো? লোক্তাক পাৎকী অকোয়বদা লৈরিবা কৈবুল লমজাও অসি মশাগী লৈজরিবা মফমনি। মরী লৈনবশিংনা মফম অসিদা নীংথিনা মীৎয়েং চঙলগা শঙাই অসি মালেমগী লৈমায়দগী মুৎখিদনবা হোৎনবনা অচুম্বা খোঙথাং ওইগনি। লোক্তাক পাৎকী অকোয়বদা, কৈবুল লমজাওদা শঙাইনা লৈরিবা চানবা মফম ওইরিবনি। মচীঞ্জাকসু মরাং কায়না লৈ। অসিগুম্বা মফম অসিদা নীংথিনা শেমগৎনবা হোৎনবীয়ু। অকোয়বগী মহৌশাগী খল কায়হন্দনা থম্নবা হোৎনবদা মীওইবগী পূন্সিরোলদা অকায়বা পীরোইদবা মওংদা থবক পায়খৎপীয়ু। হিয়াংলম এ সীদা মতম অমদা ফংলম্বা পোথোক, কোবী, হঙ্গাম, আলু, হৱাইনচিংবা কয়া অদু লোক্তাক প্রোজেক্ট থবক হৌখিবদগী পুম্নমক ঈরোন্নুংদা লৈখ্রে। হিয়াংলম এ সীগী মীয়াম্না হিংনবা উপায় থিবদা অৱাবা ওইরি। লোক্তাক প্রোজেক্টকী চৈথেং ফংলিবা মফমনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

বিনিফিট ফংহন্দবগী ওফিস শো লোনখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৪ (ঐচ এন এস):
দিপার্টমেন্ট ওফ লেবরগী মখাদা ফংফম থোকপা শিন্মীশিংগী বিনিফিটশিং মতম চানা ফংহনদবগী মায়োক্তা ইম্ফালগী দি সী কমপ্লেক্সতা লৈবা মণিপুর বিল্ডিং এন্দ অদর কন্সষ্ট্রক্সন ৱার্করস ৱেলফ্যের বোর্দ (এম বি ও সী দব্লিয়ু দব্লিয়ু বি)গী রেজিষ্টর ওফিসর অমদি বোদ অসিগী চ্যেরমেনগী কা মণিপুর বিল্ডিং এন্দ অদর কন্সষ্ট্রক্সন ৱার্করস ৱেলফ্যের ফেদরেসনননা শো লোনশিনখ্রে।

খোঙজং অসিগা মরী লৈননা মণিপুর বিল্ডিং এন্দ অদর কন্সষ্ট্রক্সন ৱার্করস ৱেলফ্যের ফেদরেসনগী জেনরেল সেক্রেটরি এস বিরমনিনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবদা, শিন্মীশিংগী ২০১৫, ২০১৬, ২০১৭ গী বিনিফিটশিং পীথোকপিয়ু হায়না সী এমদা লেবর মিনিষ্টরদা কয়ারক হন্না মেমোরেন্দম পীশিনখ্রে অদুবু ঙসিফাওবা পীথোক্তুনা লৈরি।

লৈবাক্কী ইশ্যূ ময়াম লৈবিবা মরকসিদা মাস এজিটেসন, বন্দ ব্লোকেদনচিংবা তৌনিংদে। অদুবু তঙইফদনা লেবর দিপার্টমেন্টকী মখাদা লৈরিবা বোর্দ অসি মথৌ তৌদবনা মরম ওইরগা মসিবু মথৌ তৌহল্লু হায়না খোঙজং চঙশিন্দুনা শো লোনবনি হায়খি।

সিক্যুরিটি মীট পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৪ (ঐচ এন এস): ঐচ ক্যু আই জি এ আর (সাউথ)কী মীৎয়েং মখাদা ৯ সেক্তর অসাম রাইফলসকী মন্ত্রিপুখ্রি বট্টালিয়ননা শীনুদনা ঙসি হনুমান তোপ কম্পেনি ওপরেতিং বেজদা সিক্যুরিটি মীট অমা পাঙথোকখ্রে। ফোরম অদুদা ন্যু সালেম, মোরিয়াং পেন অমসুং লৈকোচিং ভিলেজশিংগী ভিলেজ হেদশিং অমসুং নুপী সাসাইটিগী হেদশিং য়াওনা মীচম ২৮ লোয়ননা ৪৯ বট্টালিয়ন বি এস এফ পোষ্টকী বি এস এফ কম্পেনি কম্মান্দরনা শরুক য়াখি হায়নসু আই জি এ আর সাউথকী চেরোল অসিনা মখা তারি।

গুৱাহাতিগী মফম কয়া থুমজিনখ্রে

গুৱাহাতি, ওগষ্ট ২৪ (এজেন্সি):
গুৱাহাতিদা নোং কন্না চুবদগী মফম কয়া ঈশিং থুমজিনখিবনা মীয়ামদা চাউনা খুদোংচাদবা মায়োক্লুহনখ্রে।

এজেন্সিগী পাউনা হায়, ঙসি অয়ুক খঙহৌদনা অকনবা নোং চুরকপদগী মী চিনবা জি এস রোদ খুউ য়ৌনা ঈশিং থুমজিনখি। মদুনা মরম ওইরগা লম্বী মশাং অদুদা গাড়ি চৎথোক-চৎশিন তৌবা য়াখিদে। আর জি বরুৱা রোদতসু খুউ য়ৌনা ঈশিং থুমজিনখিবনা মখল অমত্তগী গাড়ি চৎপা য়াখিদে। চান্দমারি, জোরাবাট অমদি থাটিন্থ মাইলদসু খঙহৌদনা ঈশিং থুমজিল্লকপদগী মীয়ামদা অৱাবা মায়োক্লহনখি। লম্বীদা ঈশিং থুমজিনখিবা গাড়ি চা কয়ামরুম হায়ৱেদা পন্দুনা লৈখি। সিটিগী ময়োলদা লৈবা দিসপুরগী এম এল এ হোষ্টেল কেম্পসসু ঈশিং থুমজিনখি।

ꯍꯣꯝ ꯇ꯭ꯌꯨꯇꯔꯁ ꯑꯦꯚꯦꯂꯦꯕꯜ

HOME TUTORS AVAILABLE

TIMES TUTORIAL, a division of **TIMES INTERNATIONAL,** Imphal is providing up to date home tutors at the lowest fees up to Class XII. Interested guardians may kindly contact at the given address.

Contact No. : ☎ +91 8415042124 / +91 7005707412

Sd/- **TIMES INTERNATIONAL**
Near, Sangai Hotel, Nagamapal, Imphal
HL-P/2029/25

ꯅꯨꯡꯁꯥꯏꯕ ꯐꯣꯡꯗꯣꯛꯆꯔꯤ
নুংঙাইবা ফোঙদোকচরি



L. Sudhakar

ঐনা য়াম্না হরাওবা, নুংঙাইবগা লোয়ননা শগোলবন্দ খম্নাম লৈরক আই. টি. আই মনাক ইম্ফালদা লৈবা নুঙগী লায়েংবা **লাইশ্রম সুধাকর** (অপোকপা লাইশ্রম নবকিশোরগী) গী হিদাক চাবদগী ঐগী ওইথংবা ঈশিং মরীদা লৈরম্বা নুঙ অদু তারক্লে। মসিগীদমক পাউচেগী থোংদা ইয়াম্বা সুধাকরবু হরাওবা, নুংঙাইবা ফোঙদোকচরি।

Sd/- **Mr. Kahim Panmei**
Tarung Thangmeiband
HL-P/5273/25

ꯃꯥꯡꯂꯦ/DOCUMENT LOST

I have lost my Loan Clearance Certificate of A-Star (D-Brown) bearing Registration No. WB06E 7093 in the name of Mr. Abhisek Roy, No Objection Certificate and Sales Deed, on the way between Singjamei to Andro on 21/08/2018. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- **Lambamayum Malemnganba**
Singjamei Wangma Kshetri Leikai
☎ **8794440345**
HL-P/5272/25

ꯃꯤꯇꯩ ꯂꯥꯏꯌꯦꯡ/মীতৈ লায়েং

য়া শৎতনা লায়েংবা, য়াগী কেন্সর মায় পাক্লা লায়েংজরি । এন ইবোহল মীতৈ
চীংমৈরোং মনীং লৈকায় লম্বী চংফম মচিন, নিয়র এসেমব্লী কমপ্লেক্স

১। হৌজিক্কী মতম অসিদা মীয়াম্না মীপাইনরিবা বি.পি. হায়বসি ইমালোন্দা লাইয়ৈ য়ৈবা হায়বনি। হায়রিবা লাইওং অসি মীতৈ ঈপা ঈপুনা অসুম চৎলম্বদগী বোম তুদুনা শিরে, তুমখিবদগী হৌগৎলক্তরে হায়বদি ঐগী লোলদা লাইয়ৈ য়ৈদুনা শিরে হায়বনি। হৌজিক্কী মতমগী লোন্দদি বি.পি. পোকখায়দুনা শিরে হায়না খঙনৈ। হায়রিবা লাইওং অসি মীতৈ ঈপা ঈপুশিংনা থম্বীরম্বা হীদাকশিংনা লায়েংদুনা কনবা ঙল্লে। অকুপ্পা মরোল মীতৈ লায়েংদা নৈনবীয়ু, তান্নবীয়ু।

২। হার্টকী লায়না হায়বদি শ্বর হোনবা নুংঙাইতবা, শদৌ থোংবা, হকচাং চোকথবা, তুম্বা য়াদবা, অকি অখঙ পোকপা অসিনচিংবা লাইওং কয়া অসি হার্টকী ওইবা প্রোব্লেমনি। অদুবু ৱাবীরুনু মীতৈ লায়েংনা অতেনবা মতমদা ফহনবা ঙল্লে।
৩। হৌজিক্কী মতম খুৎলায়গী পাঙ্গলনা চাংয়েং তৌবদা অনাবগী লাইওং পুথোকপা ঙমদবা লায়না লাইওং কয়া মীতৈ লায়েংনা মায় পাক্লা লায়েংজরি। নুংশীৎকী লায়না (Gastric)।
৪। Make-up (Parlour) তৌবদা চান্নদবদগী মায়দা allergy তৌবা অসি মীতৈ লায়েংনা অতেনবা মতমদা কোকহনবা ঙমজরে।
৫। মীওইবগী পুন্সিদা য়া হায়বা শায়রগা চান্নরীবা অসিবু পুন্সিগী লেঙদ্রবা পামেল অমা ওইহনবীয়ু। অদোমগী হকচাঙ ফহনবীয়ু। য়ানা মীওইবগী থৱায়নি। য়া নাবা অমসুং য়াদা মুবা তিল চাবা হোবা, য়ারীদা পোম্বা, নাই চাবা, ঈ থোকপা অসিনচিংবা কয়া শত্তনা অমদি তুংদসু অমুক হৌহন্দনা মায় পাক্লা লায়েংজরি।
৬। মথক্তা পঞ্জখিবা লায়নাশিং অসিগী মথক্তা মখাদা পঞ্জরিবা লায়নাশিং অসিসু ঐখোয়না চাংয়েং কয়া তৌজদুনা নীঙথিনা লায়েংজদুনা মায় পাক্লা ফহনবা ঙমজরে। লায়নাশিং অদুদি :- নুংশং নাবা, লাই ওক্কুবা, ঈশিং পুকচৎপা, নুপীগী থাগী খোঙকাপ শোইবা, ফীঙৌ চৎপা, ঈ-নুংশিৎ, লিবর, চাকখাউ নাবা, এজমা হারা, হুইনা চিকপা, লিন্না চিকপা, সাইনস, তোঙ্গিন অমদি কংখুনচিংবা লায়না কয়া, লালচাক-ফন্বী শোনবা, খোঙয়া শাবা, হকচাংদা ঈপুম নাইপুম লৈবা (without surgery) ফহনবা ঙম্বা হীদাক, খ্বাঙ নাবা, মটু লৈবা, অপোম্বা খুদিংমক, নুংশিৎ চংবা (হিংচাবী চংবা), মীৎ-নাপু কাবা, খোঞ্জেল শীথবা (voice down), ঈ-য়াই হকচাং নোয়বা ফনবা অমদি মশা পাবা নোয়নবা, নাহি তাবা অমদি উনশাগী লায়না কয়া মায় পাক্লা ফহনবা ঙমজরে।

অকুপ্পা মরোল খঙবীনিংবশিংনা মীতৈ লায়েং ইবোহল, সনাতোম্বা, গোপাল অমসুং মোধুবলাদা তান্নবীয়ু।

Regd. No. 4277 of 82 April
DR. N. IBOHAL MEITEI,
State & National Awardee
Phone No. **9612225582**
HL-B/4802/20/8-19/09

ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ/অশোক্ কুমারবু থাগৎচরি

Ashok Kumar

ঐগী অনাবা অসি **FROZEN SHOULDER** নি। থা নিপান হৌখ্রে, অনাবা অসিনা মরম ওইরগা খুৎ য়েৎ হায়গৎপা য়াদবা, চিকপা, খাংফম খঙদবা অসিনা লেং-ওৎপা য়াদবা, ফিরোন শেৎপা ফাওবা ঙমদবা, মসিগী মথক্তা খুৎ হাম্বা ফাওবা ঙমদবা অসিনচিংবনি। অসুক্কী মতিক ৱানা খাংলক্লবা অনাবা অসি **Sir Ashok Kumar** না মহাক্কী ক্লিনিক্তা চেকশিন্না থা অমগী Treatment পীবিরগা ঐগী অনাবা পুম্নমক ফহনবীরে। ঐগী অনাবা অসিবু ফহনবীবগীদমক ঐনা পাউচেগী মতেং লৌজরগা থাগৎপা ফোঙদোকচরি। মীয়ামগীদমক সেবা কুইনা শাংনা তৌবা ঙম্বা ওইবীয়ু। ঈশ্বরনা চানবীবা ওইরসনু।

Treatment Centre :
Ashok Kumar Health Care
Palace Compound, Thangapat Mapal
Near 'Triumph Nawa Sindam Sanglen'
Imphal, ☎ 9612988625
Consultation Time : **5 A.M to 11 A.M.**

Sd/-
Luichong Tohlung
Langol
Housing
Complex, Imphal
HL-P/2028/25

ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ/পাইলসকী ওজা অব্দুল হকপু থাগৎপা ফোঙদোকচরি

য়াম্না ৱানা পাইলসনা মরম ওইরগা খোঙ হাম্বা মরক-মরক্তা ঈ য়াওবা, দ্রোপ-দ্রোপ তাবা, শৌজদা হাক্কৎচবা, ব্রি-ব্রি চৎপা, খোঙ হাম্বদা কুইনা চংবা, চাং নাইদবা, শৌজগী মনুংদা পোম্বা, শৌজগী অকোইবদা চেকখাইরগা থুপ্পা-শাবা, শনারৈদৌনা থোল্লগা মপান্দা পোল্লগা লৈবা, পুক নুংশিৎ য়াম্না কাবা, খ্বাঙ নাবা, হকচাং চোকথবা, চানিংবা পোক্তবনি। অদুবু ৱাঙ্গোই অৱাং লৈকাই মুসলিমদা লায়েংবীরিবা ওজা **অব্দুল হক, কন্টেক নম্বর ঃ ৮৭৯৪৪২৯৬৮১, ৮০১৪৬২৩৭৫৬** তা চৎতুনা ওজাগী পাউতাক্কী মতুংইন্না হিদাক চাজবদগী শুপ্নগী নুমিৎ ১৯ নিদা অনাবা, নুংঙাইতবা পুম্নমক ফজরে। মরম অসিনা ওজাবু পাউচেগী থোংদা হন্না হন্না থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

থাগৎচরিবা : **SAGOLSHEM RAJMOHON**
Khurai Laishram
HL-P/5246/25

IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER III, LAMPHELPAT

Ref:- Mut. Case No. 144/AS & SO III *Dt. 23/8/2018*

1. Mayanglambam Indubala Devi W/o Kshetrimayum Nobinchandra Singh of Kakching Khunyai Leikai, Irengbam Road at present, Wangkhei Angom Leikai.
2. Mayanglambam Ojitkumar Singh S/o (L) M. Mani Singh of –do–.

..... *Petitioners*

-Vrs-

(Late) Oinam Ningol Mayanglambam ongbi Kananbala Devi W/o M. Mani Singh of Kakching Khullen Makha Leikai.

.... *O.P.*

ꯈꯪꯍꯟꯕ/NOTICE

Imphal, Dt. 24/08/2018

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি। মদুদি খুল নং ২৭ ৱাংখৈ নোংপোক্কী পাট্টা নং ৩৭০ (অরিবা), ৮৯/৭৮৯ (অনৌবা), হাল দাগ নং ৩৫/১৯২ এরিয়া ০.১০৯ একর চাওবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদারি অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃত্ত পাট্টাদারি অসিগী মচানুপী অমসুং মচানুপা মখোয় অনীদা নামা ওনবীরো হায়দুনা AS & SO III গী কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা পাউচে অসিনা ফোংবা নুমিত্তগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা আপত্তি (ওবজেক্সন) তৌবীরবা য়াগনি। নৎত্রবদি নুমিৎ তরেৎনি হেক শুবগা আইনগী মতুং ইন্না কেস মখা চত্থজরগনি।

Sd/- **Assistant Survey & Settlement Officer III, Lamphelpat, Manipur**
HL-P/2030/25

ꯏꯡꯂꯤꯁ ꯀꯣꯆꯤꯡ
ADMISSION OPEN
ENGLISH COACHING
For
- SPOKEN ENGLISH WITH AUDIO AND VIDEO
- RHYME TEACHERS TRAINING COURSE

[Eligibility : Class X, XII, Graduate & Young mothers]
At
SPOKEN ENGLISH CLASS (SINCE 1986)
Nagamapal Laimayum Leirak, Imphal
Contact Nos. ☎ 8974642764
HL-P/4774/4/8-4/9

Apollo Tutorial Centre
ꯑꯄꯣꯂꯣ ꯇꯨꯇꯣꯔꯤꯌꯦꯜ ꯁꯦꯟꯇꯔ
Kwakeithel Bazar, Near AMUCO Office
ADMISSION OPEN
Foundation Course For:
Class : XI Sc. (COHSEM & CBSE)
(Physics, Chemistry, Maths & Biology)
VAN Service available
Form Issue : 22 - 08 - 2018
Class Starts : 03 - 09 - 2018
Class timing : 4:20 p.m. - 7:45 p.m.
HOSTEL FACILITY : BOTH BOYS & GIRLS
Enroll just today and complete your ambition
Faculties : From Reputed Hr. Sec. Schools
For details Please Contact : APOLLO Tutorial Centre (7:00a.m. - 5:00p.m.)
HL-P/5258/22-30Aug&1-11 Sep(Alt.)

ꯁ꯭ꯇꯗꯤ ꯑꯦꯝ ꯕꯤ ꯕꯤ ꯑꯦꯁ/ꯑꯦꯝ ꯗꯤ
STUDY MBBS/MD
IN ABROAD
- BANGLADESH
- KAZAKHSTAN
- PHILIPPINES
- SOUTH AMERICA
- RUSSIA
- CHINA
- KRYGYSTAN
- GEORGIA
- UKRAINE

PACKAGE STARTS FROM 12 LAC
ADMISSION OPEN
REGULAR MEDICAL COURSE FOR NEET-2019
Class Starts from 1st Week of August
Medical Council of India (MCI) Screening Exam
(FMGE) Coaching Classes will be Starting Shortly
(Available Library Facility with Reading Room After Class Hour)
PLZ Contact : ATAWAR RAHMAN, A.S.EDUCATION TRUST
(JR INTERNATIONAL CONSULTANT)
Khergao Thambalkhong, Near Old Cambridge School,
Imphal East, Manipur
BRANCH OFFICE : A.S.EDUCATION TRUST
MINUTHONG, HATTA TELLIPATI,IMPHAL
Contact No: 8974084294, 9435549886
9615706900,8415930785, 8794249895
HL-B/4779/6/8-5/
HL-B/4779/6/8-5/9